# কবি ইরুংবম দেবেনগী অনৌবা শৈরেং লাইরিক 'অৱাবগী চরৈ ফি' লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা

**- তোংব্রম অমরজিৎ -**



অইবা ইরুংবম দেবেন ১৯৬৯দা পোকই। হৌজিক্তা হৈরাঙ্গৈইথোং অৱাং মাইবম লৈকায়, ইম্ফালদা লৈ। অনা-লায়েংগী লম্দা নৌনা ডোক্তরগী মহৈ তম্লিবা মীরোল কয়াবু তাকপী-তম্বীবগী থবক তৌই। মহাক এম দি (এনাটোমি) নি। মণিপুরী খোরিরোলদা য়াম্না নহা ওইনা ইবগী লম্দা খোঙদারকই। অদুনা লম্‌সিদা চঙশিল্লকপগী মহয় ওইনা মশাগী শৈরেং লাইরিক ১০ ফোঙখ্রে। ৱারীমচাগী লাইরিক 'অতোপ্পা লাষ্ট বস অমা' ২০২৩দা ফোঙখি। মহাক্কী শৈরেংশিং মণিপুর মনুংদা ফোঙবা অমদি মপাল লমদা ফোঙবা এন্থোলোজিশিং, চেফোঙশিংদা মণিপুরগী মপান্দা মণিপুরী খোরিরোলগী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। অইবসি মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি অমদি রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী লাইফ মেম্বরসু ওইরি।

অইবনা মণিপুরী খোরিরোলদা তৌরিবা খুদোলবু শকখঙবা ওইনা মহাক্কী লাইরিকশিংদা তোঙান তোঙানবা মনাশিং ফংখ্রে। মনাশিং অদুদি ২০১৮দা 'হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি এৱার্দ; জে সী সনসম রোটরি এৱার্দ ফোর লিটরেচর (পোইট্রি); তায়েঞ্জম জয়েন্ত পোইট্রি এৱার্দ; ২০২০দা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ; ২০২১দা মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর অমসুং ৱারীবম মৈনো শৈরেংগী মনা ২০২৩নি।


'খুঙ্গংগী মপাউ' হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক অমা ২০২০দা ফোঙখ্রবা মতুংদা হন্দক ফোঙলক্লিবা শৈরেংগী লাইরিক 'অৱাবগী চরৈ ফি' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিনা অইবগী ১১শুবা শৈরেং লাইরিকনি। শৈরেং ইবদা পূক্নিং লুপচবা অশৈবা কবি অমনা শৈরেং লাইরিক ১০ হেন্না ফোঙলক্লিবা অসি তরাই-তরাইবা থবক অমদি নত্তে। অচেৎপা পূক্নিং থম্মোয় অমগী শাফূ কল্লবা ইহুল অমদি উবা ফংই।

মীওইবগী পূন্সিদি খোঙচৎ অমনি। তাইবঙ অসিমকসু অচৌবা থৌদোক অমনি। অদুনবু হায়নরি তাইবঙ লীলা ফম্বাকনি। খোঙচৎ অসিগী মনুংদা থেংনরিবা থৌদোকশিংনা পূন্সিদা ইতৎ তত্তনা পাউখোঙ চল্লি। পাউখোঙ অদু খরদং চুম্বা লানবা থিদনা ফোঙদোকনীংই পূন্সিনা হিংলিঙৈদা। অসিগুম্বা হায়দোক্লিংবা ফোঙদোক্লিংবা পূক্নিংগী ৱারোলশিং পূন্সি নুমিৎনা চীংয়া তমদ্রিঙৈদা মপাউ অমা তম্লিংলকই। অদুনা কবি দেবেনসু অসিগুম্বা নুংফাও অমা ফোঙদোক্লবা হোৎনরকই। লাইরিক অসিগী অহানবা শৈরেং ওইনা য়াওরিবা 'লৈরি অৱাৎপা অমদি' হায়বসিদা কবিনা ইরক্লি, "নুমিত্তি অসুম থেঙজিল্লক্লে।/হায়নীংবা কয়াসু হায়বা ঙমখিদে।/হায়রকখিদরে/হায়রক্কনি খঞ্জরম্বসু;/ঙাইবদি লেপ্তে ঐহাক।/লাকখিবনি পূন্সি অসিদা/করিগুম্বা খরদি হায়গে খন্দুনা;/হায়বদি ঙমজদরি হৌজিক ফাওবা।/খঙদে করি ৱানো/কনাদা হায়গদৌরিবনো।/...চত্তবদি য়াদে চত্তবদি য়াদে/অসুম চৎলি ঐ মাঙলোমদা..." (লা:২) কবিনা হন্দক লাক্লিবা তাইবঙ মপোক অসিবু মমল য়াম্না লৌদুনা করিগুম্বা খরদি হায়নীংলি ফোঙদোক্লিংলি। মদুনি শৈরেং অসিদা তারিবা মমিসু। পূন্সিদা থাজবা থল্লি। থৌনা হনবা লৈতে।

মীওইবা খুদিং পূন্সিগী পান্দম অমা ফংনবা হোৎনরি। আশা তৌনরি অদুগা মঙ মঙনরি। আই সী য়ুদা লৈরবা অনাবা ফাওবা মঙ মঙলি। নোংমা কল্লকখিগনি থাজে। পাঙ্গল লাকখিনি, হিংখিগনি চেৎনা থাজে। ফনমক অৱাবা তমথীবা খুদোংথীবা মায়োক্নরবসু মঙ মঙদবদি য়াদে। মরমদি ঐখোয় মীওইবগী পূন্সিনা পোলোইদা খূয়া তুশিৎনা নুংঙাইনা হিংবগী আশাদনি হোৎনরিবা খুদিংমক।




লাইরিক্কী মমিং :- অৱাবগী চরৈ ফি (২০২৬)
অইবা :- ইরুংবম দেবেন
অফোংবা :- মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফাল
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লাইরিক্কী মখুম :- ৱাই গুনিন্দ্রো
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৩০০/-
লমায় মশিং :- ১০০




কবি দেবেনসু অসিগুম্বা থিম অসিদা নকশিল্লদুনা ইরক্লি 'মঙ মঙববু করিগী কিরুনি' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অমা। মতমসিগী খুন্নাই অসিগসু য়াম্না নকশিন্নবা থিমনি হায়নীংই। মণিপুর হিংবদা ঈংনা য়াইবী মরা তপ্পা নুংঙাইনা হিংবা হায়বদুদি হৌজিক্কী ওইনা উবা ফংদ্রি। ঈরাং অমা লোইখিবদা হেন্না শাথীবা অমনা হেক্তা মহুৎ শিঞ্জিনখি। লৈঙাক মরা চেৎতে। তংদু লৈতাবা হায়বদু ওইবা ইঙম ঙমদে। ময়াম, মীপাই থবাইগী পূন্সি মহিং অমদা হিংদুনা লাক্লি। অসিগুম্বা চরাংনবা, নে তাদ্রবা মরক্তা আশাদি পুদুনা লাক্লি কবিনা থৌনা অমা ইরোয়নদুনা। অদুনা হায়রক্লি, "তূমথবা কিরবরা নহাক/অকিবা মঙ মঙগনি খন্দুনা?/অদুবু ঐদি কিদে মঙ মঙবা/মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবনি/অৱাবা নুংঙাইবা/করিগী কিরি নঙনা হিংববু?/শিগদবা লৈরে/নোংমা নৎত্রেগা নোংমদি।/ঙাইহাক্তং পোত্থাখিসি/অৱা-অনা পূম্বা নমদগী থারদুনা।/ঙাইখিসি নুংঙাইবা মহাক্না/লম্বী সোমদা লাকপদু ফাওবদি" (লা: ৬)

সোশল ক্রিটিক অমা ওইনা কবিশিংনা, অশৈবশিংনা খুন্নাই অমদা থেংনরিবা অশোয়বশিং, অরানবশিং, অহান অকোনগী থবকশিং শৈরেংদা ইরকপদা অপাবশিংগী থম্মোয়না ৱায়েল তৌরকই। চুম্মী কবি অসিনা ফোঙদোক্লিবসে হায়না। ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দেদা উপাল খরা থারম্লগা নেম প্লেট থেৎলগা উমং য়োকখৎপা ঙম্লোই। মরমদি ঐখোয়না মহৌশা নুংশিরিবনি হায়দুনা পাঙথোক্লিবা থবকশিংদা থৱায় য়াওনা থবক তৌদে। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী মমিংতগী ওইনা তৌরি। চিনগা খূৎকা মান্নবা মীদি মশীং য়ামদে। হায়রিবসি লৈবাক্কী লুচিংবশিংনি হায়দুনা লৈরিবশিংগী মরক্তসু অম্মানি। লীলাগী নিংথৌ শাবগুম ৱাজাও ঙাঙবা অমদি নাপলগী হী তোংদুনা লৈবাক খুন্নাইগী অফবা থবক তৌবদি ইয়াওবু য়াওদে। লুচিংবনা মথৌ তৌরক্তুবদা কবি দেবেনসু সেটাইয়র অমা ইদবা ঙম্লক্তে মরু ওইনা খূৎশেমগী ঈশিং ঈচাও তোয়না মায়োক্নরবা লমদম অসিদা মিৎয়েং থমদুনা। "ঈশিং-ঈচাও মন্ত্রি' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা কবিনা মন্ত্রি, এম এল এশিং, লৈবাক্কী ফম্নাইবশিং, লুচিংবশিংগী থৌদৌ, মখোয়গী লীচৎ অদু করেম্নদুনা ইরকপনি, "হন্দক নোং কন্না তাবসিদা/তুরেলগী তোর্ব্বানশিংসি/থেমজিনবা য়াখিদ্রে।/নীংখায়গে নীংখায়গে হায়রক্লে/থৌওইবিদবগী পেন্দবনা... লৈবাক পুংজাউ থিল্লে/ঈশিং-ঈচাও মন্ত্রি লাক্কদৌরি/তুরেলগী তোর্ব্বানবু মীৎয়েং তাগদৌরি.../ঈশিং-ঈচাও মন্ত্রি য়ৌরক্লে/মাগী খোঙলোয় ময়ামগা লোয়ননা/পে খল্লদুনা পেনা খোঙলদুনা/ধোন থিল্লদুনা।/মীয়াম হুপ্পা য়েংনৈ হিয়াঙ তান্নবগুম।/য়েংঙু ঈশিং-ঈচাও মন্ত্রি অসে য়েংঙু/কয়াদা চীং লেপ্লিবা/লৈবাক মীয়ামগী কয়াদা খল্লিবা!" (লা: ১৩) হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা ইস্যু অমনি। হার্দ রিএলিটি অদুনি। মন্ত্রি চিন্থিবা হুরানবা কয়াবু লাই লাকপগুম খল্লিবা মীকপ থোকত্রিবা মীয়ামদা মিৎ-না শিংনবা সেটাইয়র ওইনা ইরকপনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মিনিষ্টর, এম এল এশিং পূম্নমক মীয়ামগী মীহুৎনি। মখোয় খুদিংমক অরাংফম্নি। লৈবাক্কী থৌশিল থৌরাং শেম্মু হায়বনি অদুগা ঈশিং-ঈচাওগী মিংদা, অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা য়ূম কৈ অমাঙ-অতা থোকপগী মিংদা অৱাবা তারবশিংদা ফংহনগদবা তেংবাঙ শেল মপূং ফানা ফংহনবীবগী মহুত্ত মখোয়না নারোন্দা হুরানবা হায়বসি করি অফবা থবকনো। মসিনি নাকোইননা কবি দেবেননা করেম্নরিবা। ঈশিং ঈচাওবু হিয়াং কুম্মৌরা হংলকপনি। খুন্নাই অসিগী অশোয়বসি অসিগুম্বা কয়া অসিননি হায়না ফোঙদোক্লকপনি কবিনা।

তাইবঙ মীওইবগী পূন্সি অসিমক অৱাবনা পীক থল্লি। অদুনবু হায়নরি অৱাংবা শঙবাই নুংঙাইবা লাইতং। য়াইবী থৱায় মহাক্না মতম খরা কায়দোং ওইদুনা হিংলিবা তাইবঙগী হকচাং পোলাং অসিমক নোংমা অশিবা হায়বদুগী মতম অদুনা লাকপদা করিসু ওইবা নত্তে। অরোইবা মতম মহাক অদুনা লাক্লবদা হকচাং মাদি মালেম লৈবাক লৈশাদা, ঈশিংদা, নুংশিত্তা, অহাঙবা মালংদা অমুক তিনখিনি। তমথীবা হুরানবা রত্নাকরনা বাল্মিকি ওইখিবা, শিধার্থনা গৌতম বুদ্ধ ওইরকখিবা অসিদা উৎলিবসি মঙালগী লম্বেল অদুনি। তাইবঙ পূন্সি মশক খঙবসি তরাই-তরাইবদি ওইদে। সাহিত্য নৈনবগী স্পিরিচ্যুএল অমদি ফিলোসোফিকেল ওইবা মিৎয়েংসু য়েংদবা য়ারক্তে। সাহিত্য হায়বসি পূক্নিং থম্মোয় অমদি থৱায়গী ওইবা য়াম্না কুপ্পা মশক অদুনি ইরোইনদুনা চৎলিবসি। ফেক্স অমসুং ফিগর নৈনরগা য়ারক্তবা মতাংসু য়াওরি। অদুনা হয়রিবনি "literature leads where science ends" লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা শৈরেং "অৱাবগী চরৈ ফি" সিদা কবিনা মহাক্কী পূন্সিগী এক্সপরিয়েন্স অদু পুথোক্লদুনা চোই চাং ওল্লক্লি। ৱাহং হংলক্লি। পূন্সি অসিবু নুংঙাইবা কৌসিরা নৎত্রেগা অৱাবনি হায়সিরা। কবিগী ৱারোইশিন্দা তারক্লিবদি অৱাবনি। মরমদি "হঞ্জিন হঞ্জিন শেৎপদা/শেগায়রবা/মফোৎ মফোৎ ফোৎলবা..." পূন্সিগী চরৈ ফি হায়বদু ওইরে। অসুম্না কবিনা হেঞ্জিন্না খঞ্জিল্লুরিবসি ঙসি ঐখোয়না হিংনরিবা পূন্সি মহিং অসিনা ওইহনবরা হায়বসিসু হংনীংঙাই ওই। মরমদি অফবা পাউ অমত্তসু তাদে। নুংঙাইবা ৱারী অমত্তসু শান্নদে ময়ামসে। অদুনা হায়রক্লিবরা কবিনা, "পাদ্রিৎ পানা চারবা/মসি ফাওনা য়েংবদা/তাইবঙপান শূপ্পা উরবা/ঐগী লূ-তোংদা নপশিনখ্রবা/ঐগী অৱাবগী চরৈ ফিনি/ঐগী থৱায়গী ফিয়ানখোক্তা/থরাক থরাক য়াল্লিবা।" (লা:২২) মীওইবগী পূন্সি অসি পাপ্নি হায়বগী ৱাঙুলোন্দা হেন্না নকশিনবা মখলগী থিমদা ইরকপনি হায়না লৌবসু য়াই শৈরেং মখল অসিমক।

তোঙান তোঙানবা থিমদা ইরকপা শৈরেং 'গুমভীর' 'লিপষ্টিক' 'অৱাবগী শরৌ লাং' 'হৌজিক্তি ৱা ঙাঙলগনু' অসিনচিংবা নুংঙাইবা শৈরেংশিং, ফজবা ৱাহন্থোক লৈবা কয়াসু কবি দেবেনগী হন্দক নৌনা ফোঙলিবা লাইরিক অসি পাবদা থেংনবীগনি। ●

# বাংলাদেশতা অহিং অহুম -১১

**- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -**

ঐখোয়না হন্দক বাংলাদেশতা চৎলুবা অসি ঐখোয়না কোইরুগে, লাংলুগে, পিক্লিককী মওংদা অহাওবা চারুগে, নুংঙাইবা ফমুংদা হিপ্লুগে হায়না চৎখিবা নৎখিদে। চাওখৎপা, ফজবা ঙক তেকপমখৈ য়েংখৎপা অৱাংবা বিল্ডিংশিং চয়োম শানা য়োল্লবা, শৌগ্রী হৌবগুম হৌরবা দুবাই সিটি নত্তে, সিঙ্গাপোরগী অঙকপা রিজোর্টকুম মফমদুদা লৈ হায়দুনা য়েংবা চৎপা নত্তে। জপান নত্তে, অমেরিকা নত্তে ঐখোয়না থুংলুরিবা মফমসি বাংলাদেশ কৌবা ইন্দিয়াগী নোর্থ-ইষ্টনা মাঙদা লৈ, ইন্দিয়াগী ৱেষ্ট বেঙ্গলনা নোংচুপ্তা লৈ। মীশিংনা ১৭৬.৪ মিল্লিয়ননি বাংলাদেশতা লৈরিবা। মালেমগী ওইনা মী কূংনা লৈবা লমগী মনুং চল্লি। অসুক য়াম্লবা মীশিংসিগী মরক্তা 'মৈতৈ' কৌবা ফূরুপ অসিনা মীশিং লিক্লা মী ১৫০০০দং লৈরিবগী সেন্সস রেকোর্দ অমা ফংই ২০২০গী, অদুবু বাংলাদেশতা লৈরিবা মৈতৈশিংসি অঙাং য়ামদে। য়ূম থেংনা পান্নে। অতোপ্পা ফূরুপ্তা ময়ূম পান্নদে নিঙোলশিংনা। নুপাশিংসু অদু মঙাই অতোপ্পা ফূরুপকী নিঙোল লৌনদে, শিবনা মশীং হেল্লি পোকপদগী তম্লকপসু য়াওই পূক্নিং নুংশিনা... ঐনা তাবদা ওন্থোক্লা পূক্নিং নুংশিখিবা মতাং অমনি ৱা অদু তাবদা ঐ লুকথদুনা খাঙখি... অসুম্না মীশিং লিক্লা বাংলাদেশ কৌবা লৈবাক্তুদা মণিপুরী ইরৈচাশিংনা লৈবা মফমদুনি, ঈগী খোঙ্গুল লীরুগে হায়বগীদমক লাকখিবনি। মফমদুদা খুন্দাদুনা লৈবিরিবা মণিপুরী ইচিন ইনাও কয়াদুনা ঐখোয়গীদমক কোইচেন চেনবীদুনা ঐখোয়বু মণিপুরদগী লাকপীবনি হায়দুনা অমরোমদনা ইন্দিয়াদগী লাকপা (ফোরেনর) হায়রবসু কায়দে ঐখোয়বু তরাম্না ওকপীদুনা মানা-মানা তৌগদবা থৌদাংশিংদো ওজা এ কে শেরামনা সিলেটতা লৈরবসু মফমদুদগী শিনবীরকপনি লৌজরি। থবকশিং অসি ওইনবা হোৎনবদা চঙলমগদবা মতম, কখোকপা, শেল-থুমগী ফীভম পূম্নমক ওইনবা হোৎনবা হায়বসি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী থৌমীশিংনা পুকচেল শেংনা তৌদবা য়াদবা ইথৌদাং অমনি লৌনবদুননি পূম্নমক ওইরিবা। নুমিদাং অসি ফাওবদি ঐখোয় খোঙ লৈবাক তারক্তে হায়বগা পাঞ্জক ওইখি। মরমদি ঐখোয়না তোংলকপা ভেন অনীদুনা অমম্বা মরক্তুদা ওন্থোক্লা হৈনা ঐখোয়বু অপীকপা লম্বী অমদা পুবিরক্লগনি থুংলরিবা ওজা শ্যামালগী শঙ্গায়দুদা। দ্রাইভর অনীদুসু নুমিদাংগী দিন্নরদি ঐখোয়গা পূন্না চামিন্নগদবনি।

য়ূমদা পাউ ফাওনবা ঙমদ্রি, ৱারীদি তম্নিংবনি য়ূমদা অদুবু পাম্বৈ লৈতে বাংলাদেশকী সিম নত্তবনা... ওজা শ্যামালগী কাদুদা উপু অমা অনী খিল্লি, উপু মনুংদো ওজা শ্যামাল অমসুং মচাশিংনা ফংলকপা ইকায়খুম্নবগী মেমেন্টো কয়া লৈতেংদুনা থম্মী। উপুদুগী মথক্তা 'মৈতৈ চনু' a beauty pageant 2019 Miss Leifrakpam Suchona Chanu হায়না থাবা সর্টিফিকেট অমা চাউনা নমথোক্লবা replica (নুমিৎতুদা পীরকপা) উপু মথক্তুদা থম্বা উবদা চঙশিন্দুনা য়েংবদা ওর্গনাইজ বাই লাইনিংথৌ সনামহী সনাপুঙ হায়না থারম্মী। ঐ খঙনীং নীংশিংলকখি হায়রিবা 'মৈতৈ চনু' মিংথোলসি বাংলাদেশকী মৈতৈ নুপীমচা অমনা ফংখি হায়খিবদো। পাউচে কয়াদা য়াওখিবনি, মনা ওইনা লুপা লাখ অমা য়াওবা টাইটল অসি ফংখিবা লৈফ্রাকপম সুচোনা চনুগী অপোকপসি ওজা শ্যামাল ওইরম্লে। মতমদুদা বাংলাদেশ



বাংলাদেশ খোঙচৎ অসিদা য়াওখিবী নুপীশিংনা দিন্নর চাবা

মণিপুরীশিংনা কয়াদা হরাওনখিবা অমসুং সুচোনাবু ওকপগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি। ঐ য়াম্না চাওথোকচৈ ওজা শ্যামালগীদমক। নোং ঙাল্লগা পাঙথোক্কদবা জগোয়গী থৌরমদা জগোয় শাগদবা বাংলাদেশি নুপীমচা অহুমসু থুংলরে। মখোয়সু ঐখোয়গা পূন্না দিন্নর চামিন্নরগা মণিপুর কলচরেল কমপ্লেক্সতা লৈগদবনি। ঐখোয়গীদমক শিনবীরিবা নুমিদাংগী চাক্লেন অসি ওজা শ্যামালগী ইমুং মনুং, মচা মমৌ ময়াম্না পূন্না থোংবনি ওন্থোক্লা নুংশিখ্রে খল্লুবদা। ঐখোয় টিমগী নুপী মরি অমসুং জগোয় শাগদবী নুপীমচা অহুমদুদি মনুংদা চারে ঐখোয় নুপা মখৈদি মাঙ্গোলদা চাই। এঞ্জাং মথেলদি ঐনা পামজবা খজিং থোংবা য়াওরম্মী, ঙা অতাওবা থোংবসু অদুম য়াওই। খজিং থোংবসি চাদবা কুইরে ঐগী ইচানুপা অমসুং ইমাকনুপাগনা জিরিদা পোষ্টিং তারিঙৈদদি মরক-মরক্তা চাবা ফংখি অদুবু খেন্নবা অমনা জিরিদা ফংবা খজিংদুনা চাউবা হেল্লি। ঐখোয়গীদমক লাংলিবা মথেল লুকোইশিংদো অদুম য়াম্মী। চাক হাপথরগা অদুম চাই তশেংবদি নুংথিল পুং ২ হেনবদা লঞ্চ চাখিবা ওইবনা চাবা য়ারোইদ্রা খল্লম্বনি অদুবু ঐখোয়গী লাংবীরম্লিবা চাক এঞ্জাংদুনা ওন্থোক্লা হাওনা শিনবীরম্বা ওইবনা ফনয়াম তকশিনথোকখ্রে। ওজা শ্যামালগী শঙ্গাইদুগী মমিং 'কুঞ্জ কোটেজ' হায়না মিংথোল্লি। ২০০৯দা শঙ্গাখিবা কুঞ্জ কোটেজ অসিগী ইমুং মনুংগী মীওক মীচান ফবা মতৌদু পূন্সিগী কাউজরোই।

হয়েং নোংঙানবদদি বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবগী থৌরম হৌদোক্কদবা নুমিৎনিনা ঐখোয় মণিপুরদগী লাক্লিবা টিমসু অয়ূক্তগী নুমিদাং ফাওবা শরুক য়াগদবনা হয়েং অমুক উন্নরসি হায়না কুঞ্জ কোটেজদগী কায়নরকখি। ঐখোয়গী টিমগী নুপী মরিদি বাংলাদেশ লৈঙাক্কী অচৌবা ফম কয়া পুবিরম্লবা মৈতৈমচা এদ্দিশনেল সেক্রেটরি ওইবীরম্বা, লাইশ্রম সশিকুমার সিংহ Retd BCS ( Bangladesh Civil Service) কী চাউরবা শঙ্গাইদা লৈনবা শিনবীরম্বনা ঐখোয়গী নুপীগী খোঙবুনা অসোমদা লেক্লবা থিনবীখ্রবা তুং ঐখোয়না মণিপুর কলচরেল কমপ্লেক্সতা লাক্লে। ঐখোয়গী লৈফমগী Dormitory কাদু য়ৌরবা তুং, ঐখোয় ৱারী-ৱাতাই ঙাইহাক শানৈ। য়ূমগা পাউ ফাওনবা ঙমদ্রি বোবিনগীদি লোকল সিম অমা লৈরুরে হায়দনা, য়ারে য়ারে হায়নরকই, মহাক্কী মোবাইলদগী ৱাই-ফাই থাদোক্লগা য়ারে য়ারে হায়নরকপদগী ঐগীসু য়াৱ্রা য়েংবনি অদুবু ঐগীদি য়াবা কৌবা লৈতে। য়ূমগা পাউ ফাওনবা ঙমদবা মতাং অদুমদি ওন্থোক্লা ৱানা খাঙখি, মিৎতা পীক্লিবা ইশুশিং উরকখি... ঐখোয় তূম্নবা তৌরসি পুং ১০ তারেকো হায়রুবদা ওজা সরতচান্দনা বাংলাদেশনা পুঞ্জাই অমা ঙনখৎপনিকো তাকপীরকই... তূম্লসে! তূম্লসে! থেংলে থেংলে ৱারী লোইশিল্লসে!... হয়েংনিকো ঐখোয়গী নুমিৎ! ঐখোয়না লাক্লিবসে হয়েং হৌদোক্কদবা বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী সনা ফুদোংবা লোইশিনবা থৌরম অসিগী শরুক য়াবা লাক্লিবনিকো... নুমিৎ সিনিকো ময়াম কাউনগুমসি... অশোয় অঙাম য়াওদনবা লাই খুরুমসি। অদুম ওলাংই সাই, ফেন অমদি লিরি লিরি অদুম থাই। ফমুংদা হিপ্লগা ঐনা খনখি-নুংশিবী বাংলাদেশ নহাক্কী নতম্পাক্তনি ঐনা পূন্সিগী অহানবা খোঙদাজবগী অহানবা অহিংদুনি ঐনা ঙসি তূমখুন তানগদৌরিবা! ● (...মখা চত্থরকখিনি)

# লৈচিল মপৈ - ১

**- সামোম রঘুমনি -**

বসন্ত ঋতুনা লাকপদা উনা-ৱানা হৈপাল-লৈপাল খিবিক্লা নৌনা য়েন্নীং চোংদুনা হরাও মোমোন মীনোক্কা লোয়ননা লৈশাৎ তল্লি। খোইমু লাবা-অমোম অনীসু লৈকোল খুদিং কোইপাই পাইরি। পূন্সি বসন্ত লাকপদা করম্বা শাবী-শানৌনা হরাও মোমোন নোক্তবা য়াওবগে? বসন্ত মতম্বু কানখিবা কনা লৈবগে? অসিগুল্লবা নুংঙাই-মথোই কানরবা মতম অসিদা নুজা ওইবী অমদি অহিং নুংথিল নাইদনা থম্মোয় মৈশা লাংলি। লাইবক থীরবী মহাক অদু অতৈ কনা নত্তে। লাপ্লবা খুঙ্গং অমদা পোকচবী, মসিমা চাগে মসিমা শেৎকে হায়বদা মনীং থুংজদ্রবী মীখা পোন্দুনা লৈরক্লবী সোরোনি। অপোকপা চাউবা লৈঙাক্কী থবক মচা অমা, থাদা লুপা ৩২০ মুক ফংদুনা ফৌ-চেঙ খরা থোকপগা ইমুংগী চাবা মখৈদি কোন্নজে। সোরো অপোকপী মমাদি সোরোবু পোকপা মতুং চহী অমগা থা অনী-অহুমগী অদুৱাইদা লৈখিদবনি। লৈকায়গী মচে মনেমশিংনা মপুক ফাওবদি থন্নবা পীথকপীরে। মখোয়গী মনাক্তা চত্তুনা ৱানা অঙাং মপুক থকচৈ। অদুবু পীক্লিবী মচাদু কনানা শেন্নবীগনি খনবদা চাউবা হেক হেক ফুম্বংনৈ। নুংশিবীবা কনানা হায়রি,

"নুপী অমা থিরো চাউবা। নঙনা থবক চৎলবদি কনানা অঙাং য়েংশিনবীগনি।"

অসুম্না তঙাই ফদবদগী চাউবনা ইবেনি কৌবী নুপী অমা লৌরে। মতমগী মতুংইন্না মাগীসু মচানুপা অমা ফংজরে। মমিং রাজেন থোল্লে। সোরো অমদি রাজেন নোংমতা থানদে। সোরোনা মৌপ্পা রাজেনবু মতম পূম্নমক্তা নুংশিনা শেন্নজে। অদুবু মমা ইবেনিনা মদুগী ওন্ন-তৈনবদা লৈ। রাজেন পোক্লকঙৈদগী সোরোদা থল্লম্বা নুংশিবা নোংম-নোংমগী ময়েং তাথরকই। য়েক্লবা ওইনা খল্লকই। সোরো হৌজিক্তি চহী তরামঙামুক্কী অদুৱাইদা লৈরম্লগনি। রাজেনসু চহী তরামাথোই চঙলক্লে। শক-চু থোইদোক্লা চঙখোনবী নুপীমচাশিংগী মরক্তা সোরোসুনি। তবাবা চীনবান্দগী মোমোন তৌবনা মাগী ৱাঙাঙনি। মাগী ঙাঙথোক্লকপা ৱাঙাঙনা অউবা কনাগী থম্মোয় হুদনীংঙাই কনাসু লৈতে। কনানা হায়নৈ, 'কনাগী মচা মশুনো? ইচা-ইমৌ ওইনীংখ্রেদা।' অসিগুম্বসি সোরোনা ক্লাস নাইন তম্লিঙৈদগী হায়নরক্লবনি। মতমসি ফাওবা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী মমাতোনগী মীচৈনা মাগী নাকোং শীংজা য়ৈরি।

নোংমদি, সোরো স্কুল কাগদবগী লাইরিক খাও অমা পায়দুনা থোকচরকই। মাবু উবদা ইবেনিনা নোং খাকপগুম লাউথরকই, "হায় কদাইদনো? নথীবোংদু কনানা থাকপীনি খনগেনেহে। নবেম্মা ঐনা নৎত্রা? চাক থোংলম্মু। নঙগীদি লায়রি, অঙাং স্কুল চৎপা থেঙগনি। ঐনা ঙসাইনা চাক থোংঙো হায়বনি। মীনা হায়রগা করি অমত্তা তাশিন্নদনা তৌরিনে, হে! লাইরিক তম্বগা অমত্তা চৎপা য়ারোই।"

সোরোনা তপ্পা হায়জরকই,

"ইমা! ঙসিদি ইমানা খরা থোংবীহৌরো। ঙসি ক্লাসতা পরিক্ষা তৌনি হায়হৌই...।"

ৱা হায়রম হায়ফাৎত্রিঙৈদা শাউরংননা চৈথরকই,

"মীনা হায়রগা চীনথক্তা অরংননা খুম্বা শাইনে।"

অসি হায়দুনা লুশম পায়রগা ইমুংলোমদা ইনশিনখি। সোরো কপচবা নত্তনা করিসু তৌবা ঙমদে। করিদি তৌনি। কপ্পা চাকখুম চঙদুনা চাক থোংবা হৌরক্লে। চাউবনা থবক অমা চৎলুবা হল্লকপা মতমদদি চাক চফু শৌবদা মঙায়রি। মপানা হংলকই, "ইবেম্মা চাক থিরোনে। মতমসে থেঙলেনে, নঙদি স্কুল চৎলোইদ্রা?"

মমানা তনখুম খুল্লকই,

"ইবুংঙো, নচানে তৌরিসে থবক অমত্তা তৌহনপোৎ নত্তে। অদুবু ইথক কাখৎলক্লে।"

"ইবেনি!"

"চাক থোংউ হায়রুবদা করি করিনো মানা খুম্বদুবো, ইমাইপেম্মা ইমাইপেম্মা ঙমখ্রে ঙমখ্রে। আ পরিক্ষা লৈগা লৈতেগো করিনো পু-থাং ঙমপোৎ নত্তে।"

"নঙদি খরা থোংবীবা য়াদ্রা। মীনা পরিক্ষা লৈ হায়রবদি।"

মচাদা ওনশিন্দুনা অমুক থেমজিল্লকই,

"ইবেম্মা নঙগী পরিক্ষা লৈ হায়রবদি চৎলো। ঐরা নমারা অমনা লোইশিন্নবা... থেঙলনি।"

"ও, ঙমজদ্রে। য়ূমগী কুপ্লোমবু নোমগদ্রা? ময়ামগী থৌগলবু তৌগদ্রা/"

"ইহে ওন্থোকপা নুপীনিদা। ইবেম্মা নঙবু নফি লোইশিঞ্জরুরো চৎলোনে।"

"পাবুং য়াম্না লুবা পরিক্ষা নত্তে, য়ানিদা!"

"অদুদি ফরে ফরে, ঐ ইরু-মায়থজরুরগে। চাকতো থিরল্লো।" (মথা চত্থজরকখিগনি) ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১৩১গী ৱাহং**

১) "দিমান্দ লেটর" হায়না মীংথোনবা ৱারীমচা অসি করম্বা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "মানা লৈরিবা মফম অদুগী অচিকপদু থুগাইদুনা চঙশিল্লক্লিবা মতৌ অদু রাজুনা ওক্লম্মী।"

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবনি। ট্রান্সলেটরগী মমিং করি কৌবগে? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) "মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাসতা তাঙনা ফংবা সাহিত্যগী মচল অমা হায়বা তারবদি লিটরেরি ক্রিটিসিজমনি হায়না লৌবদা থোইনা লানগনি নীংদে।"

ৱাহৈ পরেং অসি ক্রিটিসিজমগী লাইরিক অমদা অইবা অসিগী পূক্নিং ৱা হায়বদুদা ফোঙদোকপনি। ৱাহৈ পরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) "ঐগী পীক্লবা আশাগী পান্দোং
ঐগী চল্লবা আশাগী লৈয়োন
য়েন্নৌ য়েন্নিং হুন্দবা কুইরে
পূক্নিং বসন্ত লাক্তবা কুইরে।"
লিরিকেল পোইম অসিগী অইবা কনানো? করম্বা লাইরিক্তা য়াওবগে?

৫) "আয়ুশনা মাগী ছাইকল রেলী অদু ইন্থোক্লক্তুনা মমান্নবা রোজেনখোয়দা কোয়রুগদবগী থোক্লক্লি।"

ৱাহৈ পরেং অসি উপন্যাসকী লাইরিক অমগী অহানবা শরুক্তগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রেগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রেগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।